ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses




আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা লিবরেল কোলেজদা হাংলিবা কম্ম্যুনিতি কারন্টিন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা সোইকোসোসল সপোর্ট অমদি ষ্ট্রেস মেনেজমন্টেকী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম

লামায় ৩



ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফাগৎখিবা ৱাইল্ড লাইফ আর্টিকলশিং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা

লামায় ৩



আই বি এস দি তাকয়েলপাংকী মায়কৈদগী হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক, দ্রিঙ্কিং ৱাটর বোটল অমদি ফেসসিল্ড চিলদ্রেন হোম অমদি সিনিয়র সিটিজন হোমশিংদা তেংবাংখিবা

লামায় ৩



সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েংদা মখাদা রিজনেল সেন্টর ফোর হেরিটেজনা শীন্দুনা নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চথরকখিবা ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম

লামায় ৩


Vol. 44, Issue No.104 | শগোলশেন, ইঙেনগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, July 09, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর থুংলবগা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ভলনরেএল দিজিজ রিছার্স লেবোরেটরি (ভি দি আর এল)দা পন্থন্দনা টেষ্ট তৌখিবদা নোবেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) নেগেটিভ ওইরে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা চীফ জষ্টিসনা ঙসি চেন্নাইদগী দিল্লি ফাওরগা ইম্ফালগীদমক খোঙশাল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদসু মাঙজৌননা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌরকখ্রবনি। মদুগী রিজল্টতসু মহাক নেগেটিভ ওইখি হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্না ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সী এমগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর নেসনল হেল্থ মিসন ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যর এসোসিএসনগী মীহুৎশিংনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে হায়না সেক্রেটরি টু সী এমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নেসনল হেল্থ মিসনগী কন্ট্রেকচ্যুএল ষ্টাফশিং রেগুলরাইজেসন তাহন্নবগী দিমান্দ পুখৎলকখি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ)কা কুপ্পা এগজামিন তৌগনি হায়বা ৱাফম থাজবা পীখি। মখোয়না চথরিবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অদু কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসি য়েংলগা হন্দোক্লবা এদভাইস তৌখি। ফীভম অসিদা ষ্ট্রাইক তৌবা হায়বসি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা নত্তে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

### HL Poll

Q: Manipurda houjik oirakliba COVID-19gi phibam asida leingankna matik chaba cheksing thourang loukhatli haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Jiribam police ki personnel kaya COVID-19 positive oirakkhrabagi matung asida makha tanasu case kaya thengnarakkhigani khanbra?

Yes 96% No 04%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

ঋইদগী শাবা ৩৫.৯৬ °C
ঋইদগী ঈংবা ১৯.৮৬ °C
মণিপুরগী নোংজুমী চাং : ১৩.১৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অযুক পুং ৪.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- হয়েংদগীদি কোরোনা অমত্তা লৈররোই..!



- হাইস ! শাথীহে, চেলহৌরগে !

তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মহাকপু এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবা ওর্দর শীংনরকখিবগী কেস

# দিসক্কালিফিকেসন কেসকী রেকোর্দশিং থাসিগী ১০দা পুথোরক্ত্রবদি ইন্টরিম প্রেয়র খন্নরগনি : হায়কোর্ট

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): মমাং থাগী ১৯দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী রাজ্য সভাগী সিট ১গী মীখল নোংমা ৱাৎলিঙৈ জুন ১৮দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবা থাঙ্গ এ সীগী এক্স এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌখিবগী ওর্দর শীংনরকখিবা কেসতা হায়কোর্টনা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদুগা মরী লৈনবা রেকোর্দশিং পুথোরক্লবা খঙহনখিবগা লোয়নননা করিগুম্বা পুথোরক্ত্রবদি পিটিস্নরনা প্রেয়র তৌরকপা ইন্টরিম ওর্দরগী মতাংদা খন্নরগনি হায়খ্রে।



এক্স এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌখিবগী ওর্দরবু শীংনরকখিবা পিটিসন অদুগী নম্বর রিট পিটিসন (সিভিল)-৩১৭ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলগী প্রেসাইদিং ওফিসারসু ওইরিবা স্পিকর অমসুং সেক্রেটরী অমদি য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ থোকচোম সত্যব্রত (৪৩), অপোকপা টি ঐচ বিরচান্দ, শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকায়দা লৈববু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অসি ঙরাং কোর্ট অসিগী জষ্টিস লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টতা হাপখ্রবসু কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্ননবা তাঞ্জা ফংখিদবদগী ঙসি অমুক হন্না লিষ্ট তৌননবা দিরেক্সন পীবদগী লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

ঙসি দিভিজন বেঞ্চ অসিগী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখিবা কেস অসি লৌখৎলকপদা এদিস্নেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমগী মায়কৈদগী কেস অসিদা লেপকদবা সোলিসিটর জেনরল ওফ ইন্দিয়া তুসার মেহতানা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা লেপখিবনা ঙসিগী কেস অসি থাসিগী ১০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌবিনবা প্রেয়র তৌরকখি।

কোর্টনা এদিস্নেল এ জিগী ৱাফম অসিদা অয়াবা পীরদুনা কেস অসি থাসিগী ১০দা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুম ওইনমক কোর্টনা এদিস্নেল এ জিদা এক্স এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোগী দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর-১

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এন পি পিগী থৌ পুবশিংগা এম এল এশিংগা পুন্না মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে

### সেন্ট্রেল লিদরশিংনা থল্লকপা থাজবশিং অদু কদায় ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপগে হায়বদু মতম খরদি য়েংখিবা তাই : অজাং খোংসাই

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট থাংমিলিয়ন কিপগেন, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অজাং খোংসাই য়াওনা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা লোয়নননা পার্টি অসিগী এম এল এশিংগা পুন্না মীফম পাঙথোক্তুনা পোলিটিকেলগী ওইবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

ঙসি নুংথিল এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা এন পি পি মণিপুরগী ওফিসতা মীফম পাঙথোক্তুনা পার্টি অসিগী ওইবা তঙাইফদবা খোঙথাং অমদি লৌগদবা ফিরেপ কয়াগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি। পার্টি অসিগী এম এল এশিং ৱাই জয়কুমার, এল জয়ন্তকুমার অমদি কায়িসিসু শরুক য়াখি। মীফম অদুনা এন পি পি মণিপুরগী পার্টি ওর্গনাইজেসনগী ওইবা হীরম কয়া পুথোক্তুনা নৈনখি। ষ্টেটসিদা পাল্লিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা এন পি পিগী ওইবা তঙাইফদবা চাকথুংশিং ফংফম থোকই হায়বা ৱাফম পুথোক্লখি। এন পি পিগী মিনিষ্টর ৪না লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লে হায়না লাউথোক্লরবা মতুংদা দিল্লিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা উনবা মতমদা য়ানখিবা হীরমশিং অদু চপ চানা ফংফম থোকই হায়বা ৱাফমসু মীফমদুদা পুথোক্লখি।

এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংমিলিয়ন কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা, মীফম অসি

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ৱেটিং লিষ্টতগী পুলিস কন্সটেবল ২০০ খঞ্জিনখিবা ওর্দর হায় কোর্টনা চৎনহন্দনা থমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): মমাঙ থাগী ২৫দা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুরনা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ঈ/৩১/২১/২০১২-পি এস ক্যু (এদমিনিষ্ট্রেসন) (পার্ট-টু)৬৯৭২গী মতুংইন্না কুমজা ২০১৩গী পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল) গী রিক্রুটমেন্টতা ৱেটিং লিষ্টতা লৈহৌবনি হায়বা কেন্দিদেট ২০০বু পোষ্ট অসিদা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ওর্দর অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

দি জি পি, মণিপুরগী ওর্দর অদু ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা কাইরং খোমিদোক হৈক্রু মখোঙদগী এম দি ফিরোজ খান (৩৫), অপোকপা এম দি রহিমউদ্দিন অমসুং অতোপ্পা মীওই ১৮না পিটিসনরশিং ওইদুনা হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। মখোয়গী পিটিসন অদুগী নম্বর রিট পিটিসন (সিভিল)-৩৪৬ ওফ ২০২০ নি। পিটিসন অসিনা রেস্পো-ন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, পুলিস দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিং অমসুং এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রিবা কেন্দিদেট ২০০ নি।

পিটিসনরশিং অসিনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল), ২০১৩গী রিক্রুটমেন্ট অদুগী মতাংদা কুমজা ২০১৮ কী দিসেম্বর ২২দা থোকখিবা ওর্দর অমনা কৌখিবা অপূনবা পোষ্ট ২০০০ অদু মাঙজৌননা মেনশিনবগী থবক লোইখ্রবনি। অদুগা হৌজিক্তা রিক্রুটমেন্ট অদুগী ৱেটিং লিষ্টতা থল্লিবা কেন্দিদেটশিংগী মতম ফাওবা এক্সপিয়রি ওইরবা মতুংদা রিক্রুটমেন্ট অদুগী ৱেটিং লিষ্টতগী খনগৎলকপনি হায়দুনা কেন্দিদেট ২০০বু পুলিস কন্সটেবল ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবগী ওর্দর অসি সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সেট্টল তৌবা লোশিংগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা ৱেটিং লিষ্টতগী খনগৎপনি হায়দুনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা কেন্দিদেট ২০০ অসিগী ওর্দর অদু চৎনহনবীগনু হায়বসিনি।

পিটিসন অসি ঙরাং জষ্টিস লানুশুংকুম জামিরগী কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়নননা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। কোর্টনা রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌরকপদা পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহুনা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদা নম্বর-৩দগী ২০২ ফাওবগী মনুংদা য়াওরিবা রেস্পোন্দেন্টশিং অসিগী এদ্রেস খঙদবনা মরম ওইরদুনা মখোয়দা ইস্যু তৌরিবা নোটিশ অসি য়ৌহন্নবা অতোপ্পা সর্ভিস অমনা মহুৎ শীলহনবীনবা হায়জখি। ৱাফম অসিদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়নননা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৩দগী ২০২ ফাওবগী নোটিশ অসি থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ইংলিস অমসুং বর্নাক্যুলরগী লোকল দেলি ন্যুজপেপর অনীদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা ফোঙননবা দিরেক্সন পীখি। লোয়নননা পিটিসনরশিংগী মায়কৈদগী কেস অসিগা মরী লৈননা এফিদেবিট ফাইল তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়নননা কেস অসি মথং থাগী ৮দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী মথংগী রিটর্নেবল দেট অসি ফাওবগী ওইনা কোর্টনা মরক্কী ওইনা পীখিবা ওর্দর অমদা জুন ২৫, ২০২০ দা দি জি পি মণিপুরনা থোকখিবা কেন্দিদেট ২০০ ৱেটিং লিষ্টতগী লৌখৎলগা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনা থম্লে হায়খি।

## মণিপুরগী কেস ১৪৩৫গী মনুংদা ৬৪২ এক্টিভ ওইরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কেস ৫ হেনগৎলক্তুনা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশীং ১৪৩৫ শুখ্রে। কেস ১৪৩৫ অসিগী মনুংদা কেস ৬৪২ এক্টিভ ওইরি।

নৌনা কনফর্ম ওইখ্রবা মীওইশিং অদু জেনিমসকী ভি আর দি এলদা থেংনখিবনি। কনফর্ম তৌখ্রবা মীওই ৫ অদুগী মনুংদা নুপা ৪ অমদি নুপী ১নি। পোজিটিভ ওইখ্রবশিং সেনাপটি দিষ্ট্রিক্তগী ঙাক্তনি। কনফর্ম ওইখ্রবশিং কোভিদ ক্যের ফেসিলিটি সেনাপটিদা মখা তানা লায়েংনবা থমখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমদি স্পোক্সপার্সন ডা. খোইরোম সশীকুমারনা ঙসি নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৭তা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসি সী সী সী মৈত্রমদগী ১৪, সেনাপতিদগী ২, কামজোংদগী ১ অমসুং কোভিদ ক্যের ফেসিলিটি রিমসতগী মীওই ১ অমদি জে নিমসতগী মীওই ৪ পূন্না মীওই ২২ দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশীং ১৪৩৫ শুখ্রে অমসুং এক্টিভ কেসনা মীওই ৬৪২ ওইরি। পূন্না রিকোভর তৌখিবা মশীংনা ৭৯৩ ওইখিবগা লোয়নননা রিকোভর তৌবগী চাং অসি চাদা ৫৫.২৬ ওইরি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট কিটসু লোঞ্চ তৌখ্রে। কিট ৩০০সু জি রিবামদা থাখিবগা লোয়নননা ঙসিদগী টেষ্টিং তৌবসু হৌখ্রে। আই সী এম আরদগী রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট কিট ১৫,০০০ ফংলে। হায়রিবা কিটশিং অসি মথৌ তারকপগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু থারগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সী এমনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম ৫ অমদি প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা ৱাটর সপ্লায় স্কিম ৫ অমদি তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে।



ঙসি শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অদুদি, ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট, ইম্ফাল প্লান্নিং এরিয়া ফেজ ৱান কোইরেঙ্গৈ, ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট ফোর ইম্ফাল প্লান্নিং এরিয়া ফেজ ৱান (ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট ৯.০৮ এম এল দি) কাঞ্চিপুর, ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট সঙাকফম, ৱাটর সপ্লায় স্কিম হৈঙাং অৱাং লৈকায়, ৱাটর সপ্লায় দিষ্ট্রিব্যুসন নেটৱার্ক ফোর চুড়াচান্দপুর, কন্ট্রোল্লর ওফ লিগেল মেট্রোলোজি এন্দ আর দি সেন্টর, লম্ফেলগী ওফিস বিল্ডিং অসিনচিংবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ন্যু দিভলপমেন্ট বেঙ্কনা ষ্টেট অসিগী য়ুমথোঙশিংদা পোটেবল ৱাটর ফংহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৩০০০ সেঙ্কসন তৌরকখি। টেন্দর অমদি ৱার্ক ওর্দরনচিংবগী প্রোসেস চথরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম য়াওবীনবা হায়জখ্রে। চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিংদা মতেং পাংবীয়ু। কোভিদ-১৯গী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না মীৎয়েং কয়া চঙলি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরিগী চাং চাদা ৫৩ য়ৌরে। হৌজিক ফাওবদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপা লৈত্রি। চেকশিন-থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎসি। জিরিবামদা রেপিদ এন্টিজেন দিটেক্সন সেন্টর শঙ্গারে। মসিনা কোরোনাভাইরস থুনা খঙদোক্লবা হোৎনবদা মতেং ওইরগনি। জিরিবামদা কোভিদ ক্যের

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা খুৎপুনা খুৎশু-খুৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা লংথবাল এরিয়াদগী নোংমৈ য়াওনা খুৎশু-খুৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা হায়, খুৎশু-খুৎলায় কয়া লোৎতুনা থল্লম্লে হায়বা অকক্ন বা পাউ অমা ফংবদগী হৌখিবা জুলাই ৭তা অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অমনা লংথবাল এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুখি। থিবা হুন্বা অদুদা কন্ট্রিমেদ এ কে রাইফল ১, মেগজিন য়াওনা পোইন্ট ৩২ ওটোমেটিক পিষ্টোল ১, মেগজিন অনিগা কোন্ননা করবাইন ১, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ১, তোঙান- তোঙানবা নোংমৈগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০ অমসুং রেদিও সেট ২ ফাগৎখি।



মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক ফাগৎলবা খুৎশু-খুৎলাইশিং অসি শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়নসু আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ডা. দিনেসকী বেল প্রেয়র খন্নদনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিনসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মায়োক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা সব ষ্টেন্দার্দ ক্বালিটিগী এন-৯৫ মাস্ক য়াওনা মেদিকেল প্রোটেক্টিভ গীয়রশিং সপ্লাই ওর্দর পীরমদনা লৈশিল্লগা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী হোস্পিটালশিংদা পীরম্বগী চার্জদা ঙরাং ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা ফাগৎখিবা ডা. মাইরেম্বম দিনেস (৫১), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম মনি, থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়গী মায়কৈদগী মহাকপু বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা এপ্লিকেসন কোর্টনা খন্নদনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ডা. এম দিনেস হৌজিক দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসতা সিনিয়র মেদিকেল ওফিসার ওইবগী মথক্তা ষ্টেট হেল্থ মিসনগী নোদেল ওফিসারসু ওইরিবনি।

মহাক ভি এন্দ এ সী পুলিস ষ্টেসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ৩ (৪) ২০২০গী মখাদা ফাগৎখিবনি। কেস অসি প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন-১৩(২), ১৩(১)(এ) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০-বি/৪২০গী মখাদা লৌখৎপনি। মহাকপু ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## মঙারকশুবা লমজিং মৈরা নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

### ইন্দিজিনস পিপল দিফাইন তৌদ্রবদি মীয়ামগী অনৌবা ঈহৌ লাক্লবা ইনভাইট তৌবনি : ধিরেন

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টমদা ইন্দিজিনস পিপল দিফাইন তৌদ্রবদি মীয়ামগী অনৌবা ঈহৌ অমা লাক্লবা ইনভাইট তৌবনি হায়না জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন



পর্মিট সিষ্টমনা শীন্দুনা লমজিং মৈরা চীংদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৫রকশুবা য়েলহৌমী ঈহৌদা লমজিং মৈরা নীংশিং নুমীৎকী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ৱাই কে ধিরেননা হায়খি, আই এল পি সিষ্টমদা ইন্দিজিনস পিপল দিফাইন্দ তৌদবা, বেজ ইয়র য়াওদবনা মরম ওইরগা ১৯৫১গী মতুংদা চঙলকখিবা মীতোপ-মীয়ানচাশিং লৈহল্লোইদবনি হায়বগী ৱাহন্থোক অসি য়াওদে। লৈঙাক্লা বেজ ইয়র লেপ্পগা লোয়নননা ইন্দিজিনস পিপল দিফাইন্দ তৌদ্রবদি মীয়ামগী ওইবা অনৌবা ঈহৌ লাকপগী ইনভাইট তৌবনি। মণিপুর মীয়াম্না লমদমসিগী য়েলহৌমী কন্নবা ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লমজিং মৈরা মিংথোল পীখ্রবা সাপম রোবিনহুদকী ৫রকশুবা লৈখিদবা নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লি।

আই এল পি চৎনহল্লু, লো শেন্নগা মণিপুরগী য়েলহৌমী কনগদবনি হায়বা খোঙজং চঙশিনখি। ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৫গী জুলাই ৮দা সাপম রোবিনহুদ থৱায়না পোন্থা পীখি। কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৩১ দা মণিপুর লৈঙাক্লা নোটিফিকেসন থোক্লগা মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনহল্লগনি, বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন এক্ট চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা চৎনহল্লে। অদুবু মীয়াম্না অকিবা কোক্লগদ্রা হায়না ফাওনরি। চৎনরিবা অসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৩


HL-C/170/1-31/7

### ঈংছেম/খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।




- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।



NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫